**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15.6.2024)**

**জিরি (এল)ঃ** হিংশা নংলবা জিরিবাম জিলাগী বোরোবেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা থোরকপা য়াদনা লৈরিবা মীয়াম পুথোরকবা হোৎনবগী মহুৎ অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিনদুনা মখোয়বু ঙাক শেল্লগা থন্বীয়ু হায়না জিলা অদুগী সি.এস.ওশিং অমসুং মীয়ামা সরকারদা আপীল তৌরি। হৌজিক সি.আর.পি.এফকী মীওই খরদি মফমদু তমা চংশিনখ্রে। নৌনা নোংমৈ কাপ্পনচিংবা হিংশাগী থৌদোক থোকপগী পাউদি লৈতে।

মরকসিদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং মতেং পাংবগী মখা তারকপা ওইনা ঙসিসু জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী লমজিং মখাদা কেম্পশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চান-থকবা পোৎলমশিং চাক থোং গ্যাস অমসুং অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

পি.ঐচ.ই.দিনচিংবা দিপার্টমেন্টশিংনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামদা চাং নাইনা থকবা ঈশিং পীরি অমসুং সি.ঐচ.সি-জিরিবামগী ডাক্তর অমসুং মেদিকেল ষ্টাফশিংনা নুমিৎ খুদিংগী রিলিফ কেম্পশিংগী মীওইশিং অমমতং ওইনা অনা-অয়েকশিং চেক তৌরি। সেনিটরি কিটসশিং য়েন্থোক্লি অমসুং আই.সি.দি.এস. প্রোজেক্টনসু চাং নাইনা অঙাংশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীরি।

জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা রিলিফ কেম্পশিংগী অকোইবা লু-নান্না থমবা হোৎনবগা লোয়ননা জোনেল এদুকেসন ওফিস-জিরিবামনা ঙরাং বিদ্যানাগর মল্টি পরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মতম খরগী ওইবা স্কুল অমা হাংদোক্লুনা ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবদা তল্লিবা লাঞ্জেন্নরকপা অঙাংশিংগী লাইরিক তম্বা হৌখ্রে। টেক্স বুক অমদি নোট বুকনচিংবসু লেমা পীরি। অসিগুম্বা

স্কুলশিং রিলিফ কেম্প অতৈগী মনাক্তসু লিংখৎকনি হায়রি।

**গাড়ি (এল)ঃ** ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা মতম খরা লম্বী অমদি সেক্যুরিতিগী খুদোংচাদবা লৈবদগী গাড়ি চেনবা লেপ্লুবা অদু ঙসিদগী অমুক হন্না চেনবা হৌরে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়-১০৯ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা কন্না ঙাক শেনদুনা ঙসি জিরিবামদগী ইম্ফালোমদা গাড়ি ১০৭ পুশিনখ্রে। মদুগী মনুংদা থাউ পুবা টেঙ্কর ৬১ অমসুং অতোপ্পা পোৎ চৈ পুবা ত্রক ৪৬ য়াওখি। অদুমওইনমক, এল.পি.জি. পুবা য়াওনা টেঙ্কর ১২০ দি হৌজিকসু জিরিবামদা পন্দুনা লৈরি।

**শিব সৈনা (এল)ঃ** ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংলকপা খুৎলায় পায়বশিংনা মনিপুরদা মীচম হাৎপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিংশাগী থৌওংশিং চথরি হায়না শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা মরাল শিবগা লোয়ননা মখোয়বু টেরোরিষ্ট গ্রুপনি হায়না লাউথোকবা কেন্দ্র সরকারদা তকশিনখ্রে হায়রি।

ইম্ফালদা দলগী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা পাউমীশিংদা হায়-ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংলকপশিংনা মণিপুরদা মী হাৎপা, মৈ থাবা অমসুং লুট তৌবনচিংবা থবক কয়া চথরি অমদি অসিগুম্বা থৌওং চথরিবা মখোয়বু সরকারনা টেরোরিষ্টনি হায়না লাউথোক্কদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা শিব সেনা মণিপুরনা দিল্লিদা প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম পীশিনদুনা মখোয়বু টেরোরিষ্ট গ্রুপনি হায়না লাউথোকবা তকশিল্লুরে হায়খি।

মহাকা হায়-সেন্ত্রেল ফোর্সশিং য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লমদম অসিদা কাংলুপ ফুরুপ খায়দনা মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন-থুম ঙাক শেনদুনা থমবা দি.জি.পি. অমসুং সেক্যুরিতি এদভাইজরনা পাউতাক পীগদবনি।

**সিপিআই (এল)ঃ** হন্দক্তা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওদা য়ুম-কৈ কয়া মাং তাকহনদুনা শোকহনখিবা ইমুংশিংগীদমক সরকারনা লুপা লিশিং তরা-তরা পীরগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুবু ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস-মনিপুর ষ্টেট কমিতিনা অফবা খোঙথাং অমনি হায়রি।

ঈচাও অসিনা শোকহল্লবা ষ্ট্রিট বেন্দরশিংগীদমকসু অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপীনবা য়ুনিয়ন অসিনা মরি লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লি।

**অৱাংবৌ (এল)ঃ** ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়রি-ভারত সংবিধাননা সেদ্যুল ত্রাইবশিংদা পীরিবা হকশিং মনুং হুনজিন্না লৈবা ত্রাইবেল মীয়ামদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবা তঙাইফদে।

ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা ঙসি পাঙথোকপা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবকী অহানবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-ত্রাইবেল মীয়ামদা সরকারনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা পীরিবা খুদোংচাবশিং নীংথিনা খঙবা ৱাৎপদগী ফংফম থোকপা মীওইশিংদা নীংথিনা ফংহনবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা কন্না হোৎনদুনা স্কিমশিংগী কান্নবা খঙনবা হোৎনবগা লোয়ননা ত্রাইবেল মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা তমেংলোংগী এম.এল.এ. জংহেমলুং পামৈ অমসুং মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবকী চেয়ারপার্সন য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**মেট (এল)ঃ** থা অসিগী ১৮ ফাওবা অমসুং ১৯ দা মনিপুরগী মফম খরদা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট-ইম্ফালনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমদা হায়-মসিগী মমাংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদনা মনিপুরগী মফম খরদা

পারপা নোং চুরবা য়াই।

থা অসিগী ১৮ অমসুং ১৯ দা তমেংলোং, সেনাপতি, জিরিবাম অমসুং ফেরজোলগী মফম খরদা নোং কন্না চুরবা য়াই। মরম অদুনা হায়রিবা মতম অসিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা য়ুমশিং অমদি চিং নিংখায়রকপা য়াবা মফমশিংদগী চেকশিন্না লৈননবা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি। অখাক অরাও তৌরকপা মতমদসু মীয়ামনা য়ারিবমখৈ অহাংবা মফমদা লৈতনবা হায়রি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী মফম খরদা লাক্লিবা থা অসিগী ১৮ দা অখাক অরাও য়াওনা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়না ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোংদোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা জিলা অসিগী মীয়ামনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা তমেংলোংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: এল. অংশিম দসাংৱানা আপিল তৌরি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হায়রিবা নুমিৎ অসিদা মীয়ামনা তঙাইফদবা নৎত্রবদি য়ুমদগী চৎথোক্তনা লৈবিয়ু। নোং-চিংগী ফিভম ফৎত্রিবা ফাওবা লৌউ শিংউ অমসুং ঙা ফাবগা মরী লৈননা চৎতনবসু খঙহল্লি। চিং নিংখায়রকপা য়াবা, তুরেল মপান অমসুং ঈচাও থোরকপা য়াবা মফমশিংদগী লাপা লৈনবসু চেরোল অসিদা হায়রি। নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা থোরকপা খুদোংথিবশিংগী মতাংদা জিলাগী ওইনা হাংদোকপা হেল্প লাইন নম্বর-9402-816-594 দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি।

**তুরেল (এল)ঃ** তুরেল মরুদগী নুঙ-লৈঙোই পেকপা লেপকদবনি, তুরেল কনশি হায়দুনা ঙসি মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাইগী অকোইবদা ৱাকৎ খোঙচৎ পাঙথোকখ্রে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী-সোইবম বিনোইনা হায়-খোঙচৎ অদু নোংপোক সেকমাইগী নেসা গ্রাউন্দদগী চৎপা হৌরগা উখোংশাং কাংজৈবুং

লম্পাক্তা থুংখি। মফম অদুদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা চিং তৌখায়দুনা নুঙ লৌথোকপা লেপবা, চিং অমদি তুরেল কন্ননবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা অসুমা ফোংদোক্লি।

**সাহিত্য (এল)ঃ** সাহিত্য একাডমী ন্যু দিল্লিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোলশিংগী অইবা-অইবীশিংদা পীগদবা সাহিত্য একাডমী বাল সাহিত্য পুরস্কার এৱার্ড ২০২৪ পীনবা লাউথোরকপদা মনিপুরি লোলগী ওইনা ক্ষেত্রিময়ুম সুবাদনি য়াওরক্লে। মহাকা ইবা অঙাংগী লাইরিক-'মালেম অতিয়া' হায়বদুদা মনা অসি পীননবা খল্লকপনি।

**এৱারনেসন (এল)ঃ** হেন্দিকেপ দিবলপমেন্ট ফাউন্দেসননা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ লুক্রাম লৈরক্তা লৈবা মোদেল প্রাইমারি স্কুলদা 'ৱি রিং দা বেল টু স্কুল, ইনক্লুদিং চিলদ্রেন ৱিট দিসএবিলিতি' গী কেম্পেইন ঙসিদগী হৌখ্রে। থা অসিগী ২৫ ফাওবা চথ্থগদৌরিবা কেম্পেইন অসি জন্ন বিকাশ শমিতি-বরানাসি অমসুং লিলিয়ানে ফাউন্দেসন-নেদরলেন্সকী তেংবাংগা লোয়নননা পাঙথাকপনি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** নুপীমচাশিংগী খুবাক ঈশৈ অমসুং হোলি ঈশৈ অমদি নুপামচাশিংগী আর্টস এন্দ ক্রাফটকী ৱার্কশোপ ঙসিদগী ককচিংদা হৌখ্রে।

ৱার্কশোপ অসি গ্রেস কোটেজ কলচরেল এন্দ এদুকেস্নেল দিবলপমেন্ট ফাউন্দেসন ককচিংনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

**মীলাল(এল)ঃ** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোল অপুনবা লুপ (মীলাল) কংলৈপাক্কী ২০২৬ কী জানুৱারী ফাওবগী পনাশিংগী ওইনা থৌ পুগদবশিং ঙসি

ৱাশক লৌখ্রে।

মীলালগী প্রসিদেন্ট-খাইদেম ইঙোচা য়াওনা লুপ অসিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু পাঙথোকখি।

**মীফম (এল)ঃ** ককচিং বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা ককচিংদগী ইরেংবন্দ ফাওরগা খোংজোম চৎপা য়াবা ফিভম ফত্তবা লম্বী শেম্বীনবা দাবী তকশিন্দুনা ঙসি অকোইবদা তারিবা মীয়ামা লম্বী থৎতুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমীনা হায়- ইরেংবন্দ, মাইরেনবম অমদি হৱাইলৌগী মীয়ামা লম্বী থিংদুনা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনবতা নত্তনা মরী লৈনবা এম.এল.এ অমদি মণিপুর সরকারনা চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবদা শেম্বীনবা দাবী তৌখি। মসি থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি লম্বী অসি মতম পুম্বগী ওইনা থিংলগনি হায়নসু সরকারগী পুকিং চিংশিনখি।

**হয়িং খোই(এল)ঃ** হন্দক্কী ঈশিং ঈচাও অদুনা শোকহল্লবা ইম্ফাল ইষ্টকী মাইবা খুল, মোংজম অমসুং কোইরেঙ্গৈদা লৈবা খোই য়োকপা মীওইশিংনা থেংহনরিবা অৱাবশিং ঙরাং ওল মনিপুর বি-কিপ্পরস এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিং অমসুং ওল ইন্দিয়ান নেসনেল বি-বোর্ড ন্যু দিল্লিগী লাইফ টাইম বোর্ড মেম্বর-টি.ঐচ. জয়সনা মীতৈনা পুন্না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

**লাইরকি(এল)ঃ** সিরতি কসতম লা হায়রগসু খঙনবা মোনশাং ফোল্ক সোংগী লাইরিক অমা ঙসি চান্দেলগী মোনশাং পন্থা ভিলেজ কম্ম্যুনিতি হোলদা ফোংখ্রে। থৌরম অদুদা মোনশাং কাংলুপকী শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**কাং (এল)ঃ** শিংজমৈ কাংখুৎনা শিনদুনা চথরিবা অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জাবী শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি

শান্নখিবা মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎনা শিংজমৈ কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬-৭ তা থোইখ্রে। হয়েং কৈশামথোং কেন্দ্র অমসুং থোংজ্ কেন্দ্র শান্নগনি হায়রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিনদুনা দি.এস.এ. ককচিংগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.ডব্লিয়ু.সি.ৱাইখোংনা য়ু.বি.এস.এ. মন্তকপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা পি.এম. কিষান সমান নিধি স্কিমগী মখাদা থা অসিগী ১৮ দা লৌমীশিংদা লুপা কোতি লিশিং ২০ য়েন্থোক্লগনি। কেন্দ্রগী রুরেল দিবলপমেন্ট, এগ্রীকলচর অমসুং ফামরস ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়-বরানাসিগী লৌমী কোতি ৯ লাখ ৩ লোমদা হায়রিবা শেনফমশিং অসি য়েন্থোক্কদবনি।

মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি তরাদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ১১ দা লুপা কোতি লাখ ৩ য়েন্থোকখ্রে।

**মাওইষ্ট ঃ** ছাতিসগরগী বাস্তর দিভিজনদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মাওইষ্ট ৮ শিরে। নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদুদা স্পিসিএল টার্ক্স ফোর্সকী জৱান অমা শিখি, অতোপ্পা সেক্যুরিতি পার্সোনেল অনিনা শোকখি।

বাস্তর দিভিজনগী আভুসমদ এরিয়াদা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী বি.এস.এফ, আই.টি.বি.পি, দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্ড অমসুং স্পিসিএল টাস্ক ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদগী লৈখিদ্রবা মাওইষ্টশিং অদুগী হকচাংগা লোয়ননা রাইফল অনি, বি.জি.এল. লোঞ্চর অমা

অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফংলে। শোল্লুবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং অদুগী ফিভম থোইনা নুংশা থিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

**অরুনাচল ঃ** অরুনাচল প্রদেসকী নৌনা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা পেমা খন্দুনা লুচিংবা মন্ত্রি-মন্দলগী পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং ঙসি লাউথোকখ্রে।

অপুনবা মন্ত্রি ১২ না শাবা মন্ত্রি-মন্দল অসিদা মীওই ৯ দি নৌনা মন্ত্রি ফম অসি পায়বনি। রাজ্যগী উপ মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবা চাউনা ম্যেননা শেল থুম, প্লানিং অমসুং ইনভেস্টমেন্ট অমদি পৱার পায়রগনি। হান্নগী রাজ্য বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-পসান দোজি সোনানা শিক্ষা অমদি রুরেল ৱার্ক পায়রগনি। রাজ্যগী হকশেল অমদি য়াইফ য়ুন্বালগী মন্ত্রিনা দিয়ুরাং ৱাধেনা ওইরে অদুগা ৱানকি লুৱাংনা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ তিরাপ চংলাং অমসুং লোংদিংগী ফম পুরগনি।